

‘ওলিম্পিক গেমসপু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী ৱাফম ওইরোইদবনি’

ন্যুদিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা ফোঙদোকখিবদা ওলিম্পিক গেমস অসি তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী য়ানিংদবা ফোঙদোকফম মফম অমা ওইহনবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা য়ু এস এদা কুচু মুবা মীওই অমা কুচু ঙৌবা পুলিসনা মখুউনা নম্লগা শিহনখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা শান্নরোয় কয়া অমনা ‘ব্লেক লাইভস মেট্টর’ হায়বা খোঙজং অদুবু চাওনা শন্দোক্লরক্লি। শান্নবগী ইভেন্টশিং অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী য়ানিংদবা ফোঙদোকপা নৎত্রগা হরাউবা ফোঙদোকপগী মমি তাহনবগী মফম ওইহল্লোইদবনি। মহাক মশামক কুমজা ১৯৭৬ ওলিম্পিক গেমসতা ফেন্সিংগী গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোয় ওইরম্বনি। মহাক্কী মতম অদুদা কুমজা ১৯৮০ মোস্কো ওলিম্পিক গেমস অদু মতমদুগী সোভিএট য়ুনিয়ননা অফঘানিষ্টানদা ইনভেজন চথখি হায়বগী ৱাফমদা ওলিম্পিক গেমস অদু ৱেষ্ট জর্মনিনা বোইকোট তৌখি।

শান্নরোয় অমনা চহী কয়া চঙনা হোৎনদুনা খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমসতা য়াওননবা শান্নরিবনি। অদুবু পোলিটিকেলগী ওইবা অমদি তোঙান-তোঙানবা খোঙজং কয়াগী মরম্না শান্নরোয় অদুগী লৈবাক্না য়ানিংদেহায়দুনা বোইকোট তৌরকপা তারবদি মখোয়গী করিয়র অদু মাঙজরবনি। মরম অসিনা ওলিম্পিক গেমস নৎত্রগা অতোপ্পা অচৌবা ইভেন্টশিংদা শান্নরোয়শিংনসু শান্নবগী স্পিরিটমীথোই-মীহেনবগী অপান্বা অমদি তংদু লৈতাবা ফীভমদা পূম্নমক শান্নমিন্নগদবনি। শান্নরোয়-শিংনা ফিল্ডদা শান্নরিঙৈমতমদা অমনা অমবু ইকাই খুম্নদুনা পোলিটিকেলগী লম্দা ন্যুট্রেল ওইবা মওংদা লম্বা তৌনগদবনি হায়না বৃটেনদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে অমদা থোমাস বেকনা ফোঙদোরকখি।

ওলিম্পিক গেমসতসু শান্নরোয় অমগী ফ্রীদম ওফ স্পিছ লৈরবসু মদুনা পোলিটিকেলগী ওইবা নৎত্রগা খোঙজং অমগী ওইবা মমি তাহল্লোইদবনি। মসিমক্তনি শান্নবগী ইভেন্ট অমদা তোঙানবা অকক্নবা কাঙলোন লাক্লিবসি। লোয়নন শান্নবগী স্পিরিট অদুবু ঙাক্না হৌদোকপগী থৌরম অমসুং লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাশক লৌনরিবনি।

শান্ন-খোৎনবনা অমগা-অমগা পূনশিন্নবগী অচৌবা শাফূ অমা ওইরিবনি। শরুক য়ারিবা পূম্নমক্না ইকাই খুম্নবা উৎপা অমদি অমগা-অমগা মান্নবা মওংদা লৈহনগদবনি। নৎত্রবদি ওলিম্পিক গেমস অসি মালেম অসিবু পূনশিনবগী ৱাখল্লোন নৎতবদা থুগায়নবগী দেমোন্সট্রেসন তৌফম অমা ওইরকপা য়াই।

মমাং থাদা আই ও সীগী মেম্বর ওইখ্রবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী প্রসিদেন্ট সেবেসিয়ন কোনা ফোঙদোকখিবদা, ব্লেক লাইভস মেট্টর হায়বা খোঙজং অদুগা মরী লৈননা ওলিম্পিক পোদিয়মদা খুউনাম্মা কুনবগী থৌওং অদুবু শৌগৎখিবনি। অদুবু মহাক্না মখা তাখিবদা থৌওং অদুনা অতোপ্পা শান্নমিন্নরোয়শিংবু ইকাই খুম্নবা উৎতবদি য়ারোই হায়খি। চাইনানা ২০২২দা বৈজিং ৱিন্টর ওলিম্পিক যূম্বু ওইগদৌরিবা অদু লৈঙাক অদুনা হোং কোংদা চথরিবা মওং অমদি জিন জিয়াংদা মুস্লিমশিংবু ওৎ-নৈবগী মতাংদা যূম্বু ওইহল্লনু হায়বা খোল্লাউ লাউখিবনি।

কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা দিল্লি কেপিটেলসপু রন ৫৯দা থোইখ্রে, সনরাইজর্স হায়দরবাদ কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী মখূৎতা রন ১২দা মায়থীখ্রে

অবুধাবী/দুবাই, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী): কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা ঙসি অবু ধাবীদা দিল্লি কেপিটেলসকা শান্নখিবা ৪২শুবা লীগ মেচ অদু রন ৫৯দা থোইবা ঙমখ্রে। দুবাইদা শান্নবা ৪৩শুবা মেচ অদুনা সনরাইজর্স হায়দরবাদ কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী মখূৎতা রন ১২দা মায়থীবা নংখ্রে।

কোলকাটা অমসুং দিল্লিগী মেচ অদুগী টোস দিল্লিনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১৯৪ লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী হৌরকপদা ফীভম ফজদ্রবসু ওপনর নিটিশ রানা অমদি সুনিল নারেনগী পর্ফোর্মেন্স অদুনা স্কোর অদু ১৯৪ য়ৌরকপনি। রানানা শুপ্নগী বোল ৫৩ মায়োক্নবদা সিক্স ১গা ফোর ১৩ য়ৈরগা রন ৮১ লৌবা ঙমখি। অমরোমদা, নারেননা বোল ৩২ মায়োক্নবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬৪ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী কেপ্টেন ইয়োন মোর্গান রন ১৭ লৌরমখি। অদুগা অহুমশুবা বেটচমেন ট্রিপাথি রন ১৩ য়ৈখি। অদুবু অতোপ্পা বেটচমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

দিল্লি কেপিটেলসনা মায় পাক্নবা রন ১৯৫ লৌনবা হোৎনরকপদা অপীবা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা বেটচমেন ৯ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১৩৫খক লৌখিবদগী মেচ অদু মখোয় রন ৫৯দা মায়থীবা নংখিবনি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী কেপ্টেন শ্রিয়াস আয়রনা বোল ৩৮দা রন ৪৭ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। রিসব পন্টনা রন ২৭ অমসুং রবিচন্দ্রন অস্বিননা রন ১৪ লৌরম্বা অদুনৎতনা অতোপ্পা বেটচমেন অমত্তা রন ১০ লাম্থোকপা ঙমখিদে। কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী মায়কৈদগী বোলর বারুন চক্রবতিনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎতুনা ৱিকেট ৫ লৌদুনা চথরিবা আই পি এল অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবগী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা বোলিং ফিগর ওইরি।

দুবাইদা শান্নবা ৪৩শুবা মেচ অদুগী টোস সনরাইজর্স হায়দরবাদনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটচমেন ৭ আউট ওইরগা রন ১২৬খক লৌবা ঙমখি।

কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী মায়কৈদগী মরিশুবা বেটচমেন পুরাননা বোল ২৮দা রন ৩২ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ওপনর রাহুলগী রন ২৭ অমসুং খৃস গেলগী রন ২০না মতেং খরা ওইখি। মন্দিপকী রন ১৭ অমসুং মেক্সৱেলগী রন ১২ পনবা য়াই।

সনরাইজর হায়দরবাদকী বোলর সন্দিপ শর্ম্মা, জেসন হোল্ডর অমসুং রসিদ খাননা ৱিকেট ৩/৩ আউট তাহনবা ঙমখি। মেচ মায় পাক্ননবা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রন ১২৭ লৌবগী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনবদা টিম অদুগী বেটচমেন ১০মক রন ১১৪দা লোইশিনখিবদগী মেচ অদু মখোয়না রন ১২দা মায়থীবা নংখি। সনরাইজর্সকী মায়কৈদগী ওপনর দেবিদ ৱার্নর অমসুং জোনি বার্ষ্টোনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৫৬ লৌবা ঙমখি। ৱার্নর রন ৩৫দা আউট ওইখিবদগী মনিশ পান্দে শান্নবা চঙলকখিবনি। অদুবু পার্টনরশিপ শেন্থা হৌদ্রিঙৈ বার্ষ্টো রন ১৯দা আউট ওইখি। নৌনা চঙলকপা অব্দুল সমাদ রন ৭তা আউট ওইখি। পান্দে অমসুং বিদ্যশঙ্করনা অপূনবা রন ১০০ য়ৌহনখি।

মখা তারকপা বেটচমেনশিংগী মরক্তা ফজবা ঙমখিদবদগী অপীবা ওভর ২০ অদু লোইগদবা বোল ১ ৱাৎলিঙৈদা রন ১১৪দা লোইশিন্দুনা মায়থীবা নংখি।

হয়েং আর সী বি অমসুং সী এস কে লম্বা তৌনগনি। অদুগা অনীশুবা মেচতা আর আর অমসুং এম আই থেংনগনি।

রিয়াল মাদ্রিদনা বর্সেলোনাবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে

মাদ্রিদ, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী): স্পেনদা এল ক্লাসিকো হায়নসু খঙনরিবা মমিং লৈরবা ক্লব অনী রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং বর্সেলোনা ঙসি লম্বা তৌনখিবা মেচ অমদা রিয়াল মাদ্রিদনা পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা লালিগাগী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শুপ্নগী মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা রিয়াল মাদ্রিদগী করিম বেঞ্জিমানা পীরকপা বোল অমদা ফেদেরিকো বালভর্দিনা চনখি। অথুবা মতমদা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। জোর্দি অলবানা পাস তৌরকপা তাঞ্জা অমদা অন্সুফটিনা পাঞ্জল ওন্থোকখিবনি। মখা তাবা অহানবা হাফকী শান্নবা অদুদা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নখিদে।

মেচকী ৬৩ শুবা মিনটতা রিয়াল মাদ্রিদগী এটেক অমদগী পেনাল্টি অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু সর্জিও রামোসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১দা মাংজিল থাখি। মেচকী অরোইবা মিনটতা মখা তানা এটেক চথরকখিবা রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী লুকা মোদ্রিচনা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না ৩-১দা থোইবগা লোয়ননা টিম অদুগী মেচ ৬ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। বর্সেলোনা মেচ ৫দা পোইন্ট ৭ ফংলগা ১০শুবদা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা ভেলেন্সিয়াবু অলচেনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। অলচেগী পাঞ্জল অনীমক অহানবা হাফকী ১৯শুবা মিনট জোসন অমসুং ৩৭শুবা মিনটতা ফিদেল চাবিজনা চনখি। ভেলেন্সিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ৭৪শুবা মিনটতা টোনিনা চনখি।

রোবর্ট লিৱান্দোস্কিগী হেটট্রিকনা বেয়র্ন ম্যুনিক মায় পাকহনখ্রে

বর্লিন, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী হৌখিবা সিজনগী টাইটল লৌবা ঙম্লিবা বেয়র্ন ম্যুনিক বুন্দেসলিগাগী ২০২০-২১ সিজনগী ওইনা অহানবা মেচ ঙসি মায় পাকপা ঙমখ্রে। টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা এনট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকা শান্নবা মেচ অদুদা হেটট্রিক চনখিবগা লোয়ননা ৫-০দা থোইখি।

মেচকী ১০শুবা মিনটতা লিৱান্দোস্কিগী অহানবা পাঞ্জল অদু কিংস্লে কোমাননা পীরকপা বোলদগী ওইখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা জোসুৱা কিমিসনা পীরকপা বোলদা লিৱান্দোস্কিনা ২৬শুবা মিনটতা ওইহনখিবনি। মখা তারকপা অহানবা হাফ অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী দোগ্লাস কোস্তানা পাস তৌরকপদা লিৱান্দোস্কিনা মহাক্কী হেটট্রিককী ওইবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেচকী ৭২ অমসুং ৯০শুবা মিনটতা মখা তানা ম্যুনিককী মায়কৈদগী লিরোই সেন অমসুং জমাল মুজিয়ালানা মখা তাবা পাঞ্জল ২ চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা পোইন্ট টেবল মাংজিল থারিবা রাসেনবোলস্পোর্ট লেপজিকনা হর্থা বর্লিনবু ২-১দা থোইখি। বেরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাকনা মখোয়গী মঙাশুবা রাউন্দগী মেচতা মাইঞ্জ ০৫বু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

বুন্দেসলিগাগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অনী দ্রো চৎখি। ভি এফ বি ষ্টুটগার্ট অমসুং এফ সী কুনগা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। অদুগা য়ুনিয়ন বর্লিন অমসুং ফ্রৈবর্গসু ১-১দা দ্রো চৎখি।

লীদ্স য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে, মেঞ্চেষ্টর সিটি ৱেষ্ট হেমগা দ্রো চৎখ্রে

লন্দন, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেচশিংদা লীদ্স য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে। মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদ দ্রো চৎখ্রে।

এষ্টোন ভিলানা যূম্বু ওইরগা লীদ্স য়ুনাইটেদকা শান্নখিবা মেচ অদু অহানবা হাফতা নাকল অনীমক অকনবা লম্বা থেংনরগা লাকপদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপদদি লীদ্স য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উৎপা ঙম্লকপদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

৫৫শুবা মিনটতা পেট্রিক বমফোর্দনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু মহাক্না টিমমেট মাটুজ ক্লিকনা পীরকপা বোলদা ৬৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। এষ্টোন ভিলাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি। পেট্রিক বমফোর্দনা মহাক্কী হেটট্রিক অদু ৭৪শুবা মিনটতা হেল্ডর কোষ্টানা পীরকপা বোলদা চল্লগা মেচ অদু মখোয়না ৩-০দা থোইখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদকী লম্বা অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ৱেষ্ট হেমগী মাইকেল এন্টোনিওনা ৱ্লাদিমির কোফালনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল চনখি। অমরোমদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ৫১শুবা মিনটতা জুৱা চেন্সেলোনা পীরকপা বোলদা ফিল্ড ফোদেননা চনখিবনি।

অথেংবদা শান্নবা অতোপ্পা মেচ অমদা খৃষ্টল পেলেসনা ফুলহামবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী টিম অনীমক ফাইনেল য়ৌখ্রে

চেন্নাই, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী): অহানবা ওইনা চথবা এসিয়ন নেসন্স ওনলাইন কপ চেছ চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম অনীমক ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা কাজাখষ্টানবু ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমনা মায়থীবা পীখি। অদুগা নুপীগী টিমনা মোঙ্গোলিয়াবু থোইখিবনি। সেমীফাইনেল অদু মেচ ২/২ শান্নখি। ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমনা অহানবা মেচতা কাজাখষ্টানবু ২.৫-১.৫দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা মেচতনা ৩-১দা মায় পাকপা ঙমদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমনা মোঙ্গোলিয়াবু সেমীফাইনেলগী মেচ অনীমক য়াম্না হেন্দুনা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা মেচ ৩.৫-০.৫দা মায় পাকপা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা মেচ অদুদদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয় মরিমক্না মোঙ্গোলিয়াগী শান্নরোয়শিংবু মায়থীবা পীদুনা ৪-০দা থোইখি। টিম অসিনা ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী টিমগা লম্বা তৌনরগনি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

এম বুদ্ধ, চিংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়

মালেমগী রিছর্সর ৮০ অমসুং তোঙান-তোঙানবা লমশিং হায়বদি পব্লিক হেল্থ, ইপিদিমিলোজি, মেদিসিন, পিদিয়াট্রিক্স, য়ুরোলোজি অমদি সাইকিএট্রিকনচিংবগী মরমদা খঙ হৈরবা কয়ানা অপুনবগী য়ানবা ৱাফম অমা পীখ্রে মদুদি লোকদাউন অসি তঙাইফদে হায়না অদুগা কোভিদ-১৯ অসি কন্ট্রোল তৌবা অমসুং নমথবা হায়বসি কম্যুনিটি রেস্পোন্স হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওই। অদুগা অতোপ্পা নাকল অমরোমদা খন্নবা য়ারিবসি খুদোংথিরবা মতম হায়বদু ওইজরবসু নিয়ম চুম্না মায়োক্নবা ঙম্নগদি তুং কোইনা য়াম্না কান্নরবা থৌওং কয়া লেপহৌবা ঙক্নগী খুদোংচাবদু ফংই। অলবর্ট আইনষ্টিননা হায়খিবা ‘ক্রাইসিস থোরকপা খুদিংমক্কী মনুংদা খুদোংচাবা কয়া চেন্নরকই।’ হৌজিক ঐখোয় লোকদাউননা মরম ওইদুনা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী তোখাইনা তারে হায়না লৌরসি। অদু ওইরগদি ঐখোয় ইশা-ইশাগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং করম্না ফংগদগে হায়না খন্নরকপা তাবনি। ইখঙ খঙহৌদনা হোংলক্লিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় ইশা-ইশানা অতোপ্পা লমগী মতেং য়াওদনা ইরোমদম তেংবাংজবা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই। মতম অসিদা দোমেষ্টিক প্রদক্সন অমসুং দোমেষ্টিক ওন্ট্রাপ্রেনরশিং চাওখৎলক্কনি অমসুং ‘স্বদেসি’ হায়বদি লৈবাক অসিদা পুথোকচবা পোৎ শীজিন্নবা হায়বদু নৌহৌননা হৌদোকপা মতম ওইরে হায়জনিংই।

ৱাহেংবম প্রেমচান্দ, শগোলবন্দ হৈনৌপোক

নুমীৎ ৪/৫নি নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা মালেমগী লাইচৎ কোভিদ-১৯গী অৱাবা মায়োক্নরিঙৈ চৈরক অসিদা লু কোকপদা লেল হেক তাই হায়বদু ইরমদমগী লৌমিশিংদা থোকপনা লাংতক্নরে। রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টগী লোইশঙগী দিরেক্টরনা থা অসিগী ২৩দা ঈশিংনা তুরেল খোঙবালগী ৱার্নিং লেবেল য়ৌরকপদা দিপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদা থাবা নোটিস অমদা অলর্ট ওন ফ্লদ এন্দ লেন্দস্লাইদ হায়না মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোক্নক্তনবা অমদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগীদমক টোল ফ্রি নম্বর ১০৭০ পীখি। লোয়ননা লৈঙাক্না হীরম অসিগী মতাংদা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী খুৎথাংদা এৱ্যারনেস কেম্পেন তৌবা মথৌ তাই। লৌরোক থা য়ৌরকপা অসিদা লৌদি খাউরগা য়ৈদনা লৌবুক্তা থল্লিবা ফৈদোমশিং ঈশিংদা লুপ্পুনা মাঙবা য়াওরিবা অসিগীদমক লৈঙাক্না ক্রোপ ইন্সুরেন্স পীবা পামজৈ। মরমদি ৱারবা লৌমি ইচিন-ইনাউশিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ফগনি হায়না খল্লি। ভোৎসু তৌসি, কোভিদ-১৯সু লাম্থেংমিন্নসি লোয়ননা লমদম অসিদা ওইরক্লিবা অৱাবশিং অসিদা লৈঙাকপশিংনা মখোয়দা লৈরিবা পৱারশিংদু মতিক চানা থবক তৌহন্নিংই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

থাঙ-তা শাজেল চাংদম্নবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচএনএস): কংলৈ ইনাৎ থাঙ-তা শীন্দম শঙলেন কোংপাল চনম লৈকাইনা শীন্দুনা কোংপাল চনম লৈকাই দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী কমপ্লেক্সতা থাঙ-তাগী জুনিয়র অমদি সব-জুনিয়র কেটগোরিগী ওইবা শাজেল চাংদম্নবা থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

চাংদম্নবা অদুগা মরী লৈননা কংলৈ ইনাৎ থাঙ-তা শীন্দম শঙলেনগী শীন্তাকপুরেল এল ইবুংঙোমচা মৈতৈনা হায়, থাঙ-তা অসি লমদম অসিগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্নবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা শাজেল মখল অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা থাঙ-তা শাজেল চাংদম্নবা অদুদা অহেন-অথোই তারকখ্রবা মহৈরোয়শিংদা খূদোল তমদুনা ইকাই খুম্নখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা থাঙ-তাগী ওজা কে বোবি, দল্লিয়ু সুনিতা অমদি কংলৈ ইনাৎ থাঙ-তা শীন্দম শঙলেনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বিরচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

ওলিম্পিক্সকী এক্বাটিক সেন্টর শঙ্গাখ্রে

টোকিও, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী): টোকিওগী গভর্ণর য়ুরিকো কোইকেনা চহী অসিগী মার্চ ২৩দা শঙ্গারমগদবা এক্বাটিক সেন্টর ঙসি থা ৭কী মতুংদা শঙ্গাখ্রে।

ওর্গনাইজরশিংনা মথং চহীগী জুলাই ২৪দগী হৌগদৌরিবা য়ৈথোকখ্রবা ওলিম্পিক গেমস অদুদা মালেমগী মকোক থোংবা স্বিমর অমদি দাইভরশিংবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা মপূং ফাবা গেমস অমা পাঙথোকপগী থাজবা অদু থমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা এক্বাটিক সেন্টর শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কোইকেনা হায়খি, য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৫২৩ চঙনা শাখিবা সেন্টর অদুনা টোকিওদা লৈরিবা মীওইশিংবু কান্নবা পীবদা নৎতনা ওলিম্পিক্সকী এথলিটশিংবুসু কান্নবা ফংহনগদৌরি। ওফিসল কয়া অমগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা শঙ্গাবগী থৌরম অদু লোইরবা মতুং জপানগী এথলিটশিংনা দাইভিং অমসুং স্বিমিংগী এগজিবিসনশিং উৎখি। ওলিম্পিককী সেন্টর পূম্নমক মাংজৌননা শেম শাদুনা লৈরবা ঙাক্তনি।

থাঙ-তাগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

THANG-TA DAY
THANG-TA FOR HEALTHY NATION

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচএনএস): সলাই থাঙ-তা কলচরেল একাদেমি, ৱাইতোননা শীন্দুনা ‘থাঙ-তা দে’ ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তগী হৌদুনা লাক্নদৌরিবা নবেম্বর ১৫ ফাওবা থা অমা চুপ্পা ‘থাঙ-তা ফোর হেল্থি নেসন’ হায়বা পান্দমগী মখাদা চথুগদবা থাঙ-তাগী নুমীৎকী শরুক অমা ওইনা ‘থাঙ-তা দে’ থাবুমগী ঙসি মাপননি চনবা নুমীৎ পাঙথোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থাঙ-তা দে ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী মীদিয়া কনভিনর লাইশ্রম সাইত্যমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরাল অমনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ‘থাঙ-তা দে’ ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী মেম্বরশিং, সলাই থাঙ-তা কলচরেল একাদেমিগী থৌপুবশিং লোয়ননা মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা লম-তু শীৎ শেংবা, উ চারা থাবা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ চঙবা ঙমদননবা মশা-মউ ফনা লৈনবগী থাঙ-তাগী শাজেল কাঙলোনগী মতাংদা মহৈরোয়শিংদা এৱ্যেরনেস পীদুনা খঙহনখি।

কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন (এস ও পি) ঙাক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সলাই থাঙ-তা কলচরেল একাদেমি, ৱাইতোনগী শীন্তাকপুরেল মাইবম সুরজবোরোনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিগী খুন্নাই অসিদা ঈশিং-নুংশিৎ শেংলক্তবা, অকোয়বগী খল কায়থরকপা অমসুং তমথীরবা লায়না-তিন্না কয়া থোক্লক্লিবা অসি মীওইবা ঐখোয়না তুংগী করিসু খন্থরুবা তৌদনা উমং-ৱামং কোকথোকপা অমদি লম্লক্কী শা-উচেকশিং হাৎতোকপা অসিদগী থোক্লকপনি। মরম অসিনা ঙসিদি ঐখোয় তুমদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে। মীওইবা অমা ওইনা পোক্লক্লবনিনা ঐখোয়না শিদ্রিঙৈদা, হিংলিঙৈ মতম খরা অসিদা তুংগী মীরোলগী য়েংদুনা উ-ৱা মরাং কাইনা ঙম্লিবমখৈ ঐখোয়গী অকোয়বদা থাজিন্নবা হোৎনগদবনি। ইশা-ইউ ফনা লৈনবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্তুনা মসিবু চাবা অমদি য়োনবা থিংননবা খোল্লাউ কয়া অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নদুনা মালেম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং মুথৎনবা ইশা-ইশানা থৌদাং লৌদুনা তিঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা শেমগৎ-শাগৎননবা হোৎনমিন্নবগী মতম ওইরে হায়বা অসিনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (ঐচএনএস): শরিৎ-শরাক এসোসিএসন, মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ওক্টোবর ৯দগী হৌরগা ওক্টোবর ২৩ ফাওবা নুমীৎ ১৫নি চুপ্পা চথরকখিবা শরিৎ-শরাক অমদি থাঙ-তাবু চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংগী মনুং চন্না শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা প্রিজর্ভেসন ওফ মণিপুর মার্সিয়ল আর্টস এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্টরগী শীন্দম শঙলেন্দদা, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা ইন্দিজিনস মণিপুর মার্সিয়লস আর্টস একাদেমি অনীনা হেন্না মপূং ওইবা থৌদাং লৌমিন্নদুনা এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম অমদি ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদু ঙরাং পি ও এম এম এ সী আর সীগী শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈরিবা শান্নবুংদা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লোয়ননা মখা তানা এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম অসি মফম কয়াদা পাঙথোক্নবা পান্দম থল্লি। পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা গভর্ণমেন্টনা পীবা এস ও পি ঙাক্লা অখন্নবা মহৈরোয় ৩০ না মপূং ফানা শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা মপূং ওইনা শরিৎ-শরাক এসোসিএসনগী শীন্তাকপুরেলশিংনা হেন্না অচৌবা থৌদাং লৌবীদুনা মপূং ফাবা এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম অমা ওইখি হায়না শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরগী সেক্রেটরি এস ঐচ ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জ্বেরেবনা এদ্রিয়ন মনারিনো থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে

কোলোন, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী): জর্মনিগী সিটি কোলোনদা পাঙথোক্লিবা কোলোন টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মকোক থোংবা শান্নরোয় যূম্বু লৈবাক অদুগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা ইটলিগী এদ্রিয়ন মনারিনোবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

অহানবা সেট অদুদগী হৌরগা শান্নরোয় অনীমক লম্বা মান্নখি। অদুবু জ্বেরেবনা মনারিনোগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা সেট অমা মাংজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা জ্বেরেবনা ফজবা হেন্দুনা ৫-৩দা সর্ভিস তৌখি। অদুবু মনারিনোগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরকপদগী সেট অদু টাই ব্রেকতা পুরক্তুনা ৭-৫দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নখি। অরোইবা সেট অদুদা জ্বেরেবনা ৬-৪দা থোইরগা সেমীফাইনেলদা ইটলিগী জেনিক সিনরগা লম্বা তৌনগনি।

অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বারমেনগা কানাদাগী ফেলিক্স ওগর এলিয়াসিমগা থেংনগনি। এলিয়াসিমনা ঙরাং জপানগী য়োসিহিটো নিসিওকাবু ৬-৩, ৬-৪ দা থোইরম্বনি।

ꯑꯔꯥꯝꯕꯥꯏ২০২০
A unit of RaDiant Group
Download arambai2020 & get a FREE HAND SANITIZER
Get ₹50 off on your first order of ₹500 or above
Opening Services at Moirang, Thoubal Sekmai on 17th October, 2020
@arambai2020
✆ 7005 945 860
Terms & Condition
Once downloaded the app, please contact us for your voucher code
HL-B/6409/27th Sept. to 26th Oct.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com